# থেংলবসু থেংনা ঐখোয় পূন্নমক পুল্লসি

**– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –**

কংলৈপাক অসি হেক শেমখিবদগী, ওইখিবদগী ঙসি ফাওবসিগী পুৱারীগী ৱারীদা কাং-খোং চাইদুনা অদুম লাকখি। লমদম অসি লানফমনি। লান হায়বা ৱাহৈসি মীয়াম্না য়াম্না তোইনা শীজিন্নবা ৱাহৈনি। লমদম অসিগী পুৱারী পারুবদা লানগী লান ঙাক্তা ঙাইরম্লি। পুৱারীগী লমাই খরা - গরিবনিৱাজ নিংথৌনা শিখিবদগীনা মার্জিংনা নিংথৌ ওইবা ফাওবা হায়বদি কুমজা ১৭৪৯দগীনা ১৮১২ (চহী ৬৩) ফাওবগী মনুংদা কংলৈপাক্কী ফীভম অসি লৈতারমদে। নিংথৌ খুভম মুন্নবা, হাৎনবা, অমনা অমবু ইন্থুনবা, লাক্লবা থৌদোক ঙাক্তনা থল্লন্মী। কুমজা ১৭৪৯দগীনা ২০২৩ হায়বদি চহী ২৭৪ অসিদা লৈবাকসিদা করিসু অফবা-অহোংবা লৈত্রি।

ইমুংগী ঈ মশেল খৎনবা। কেস অদু কোর্টতা তৌবা। কাঙলুপ মশেল খৎনবা অমসুং হাৎনবা। খৎনদ্রগনা কুম্মৈ-ফিয়োংদা লুপ্পা, থাবল চোংবা, লাই হরাওবনচিংবা কুম্মৈশিং ৱাৎতবা লৈবাকনি। তেনখ্রবা পুন্সিনি, নুংঙাইথোকউ হায়বসু য়াল্লিবনি। থবক শুবা-নোম্বগী কলচরনা তোঙানবা চেপ্টরনি। খুন্নাই অসিদি অঙকপনা পীক থল্লিবনি। য়াম্না মুন্না থিজিল্লুবা য়াদবনি, হঙোই নিংঙাই ওইবনা মশীং থিবা ঙমদবনি।

চহী ২০০০ হেন্না শোয়দুনা লাক্লবা খুন্নাইসি পাক হেক শেমদোকপদা মতম খরদি চংখিগনি। চহী য়াম্না শাংনা তূমদুনা হিংলকখিবা ঐখোয়বু মে ৩, ২০২৩দা কুকি কাঙবুনা হৌদোকপীবগী মখোয়বু থাগৎতবা ঙমদে। অদুগা ঙসি ঐখোয়না হিংলিবা পুন্সি মহিংসিদি মালেমগী অতোপ্পা লৈবাক অমত্তদা অসুম্না হিংদে। শা-ঙাদগী হেন্না তোন্না হিংলি। চীংখোঙগা তাইনবা মফমদনা মে ৩, ২০২৩গী নুমিদাংদগী ময়ূম-মকৈ থাদোক্লগা মপুন্সি হিংনবা চেন্নখ্রে। হৌজিক ফাওবা তূম্ফম-চাফম খঙদনা নুমিৎ ৮০ অসি রিলিফ কেম্পতা পুন্সি হিংলি। কুকিশিংনা চীংখোঙ-ময়াদা লৈরিবা ঐখোয়দা করিগী নোংমৈ কাপশিনফম থোকপগে? মখোয়দি ঐখোয়গী য়েক্লবদি ওইখিদে।

ইম্ফাল এরিয়াদা হিংলিবা মীশিংগা চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈরিবা মীওইশিংগা হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নরি। ইম্ফাল এরিয়াদা লৈরিবা মীশিংনা চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈরিবা পূন্নমকপু অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু। অৱাবশিংসি ঐখোয় পূন্নমক স্যের তৌসি। মখল অমত্তগী হরাও কুম্মৈ পাঙথোক্লোইসি। চহী অমদা মৈতৈগী চহী হৌবগী চৈরাওবা অমসুং নিঙোল চাক্কৌবগী নুমিৎ, হায়বদি নুমিৎ অনীখকসি জেনরেল হোলিদে ওইসি। অতৈ নুমিৎশিংদি ঐখোয়গী ইনাৎকী থবক-থৌরম অমত্তা নত্তে। খ্বাইদগী অৱাংবা, অরংবা, খৎ-খৎ লাওবা, মখোল হৌবা, মতম মাঙবা, শেল খ্বাইদগী হেন্না চঙবা, মীহাৎ-মীপূন, খৎনবা-চৈনবা তোইনা থোকপা কুম্মৈদি নুমিদাংদা মৈ থাল্লগা ফন-ফন চোংদুনা শান্নবদু তোক্লসি। অদুগী মতম নৎত্রে। থাবলদা কনাসু চোংদে। মৈঙালদুদা চোংবদু তোকপীরো। য়েক্লবনা নক্লনা কোইশিনখ্রবা ঐখোয়নি। ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থবীয়ু। ঐখোয়সি Vanished Civilization হায়বদি মাঙখ্রবা ফুরুপ ওইবসু য়ারক্লিবনি। ইথক-ইপোমগী মতম লোইখরে।

ঐগী পুন্সিদা জুলাই ১৮, ২০২৩, লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসি য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎনি। নুমিৎসিদা ঐহাক্না চহী ৩০ মুক্কী মমাঙদা নীংদুনা লাকখিবা ৱাখল অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লবগী মমি অমা উবা ফংখি। তরাগী মীফম অমা তরাগী চৈশু, সিটিজন্স ফোর জষ্টিস, মণিপুর অমসুং সিনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটি, মণিপুরনা শীল্লগা পাঙথোকখি। ওদিএন্স অদুগী মীওইশিংদু মণিপুরগী থিঙ্ক টেঙ্কনি। মিনট মঙাগী অতেনবা স্পিচতা পোইন্ট ১০০ হেন্না কোভর তৌবা মীওই ঙাক্তা পুনখি। ঐসু সিনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটিগী ফাউন্দিং মেম্বরনি।

ঐখোয় থেঙলবসু থেঙনা পুল্লপ পুনশিনসি। Unity is Strength হায়রিবসিনি। পুল্লসি। পুনশিল্লসি। পুনবনা ঐখোয়গী শক্তিনি। পুল্লবদি মীতোপশিংনা ইকায়খুম্নগনি। কিগনি। হঙ্গোইগনি। পুল্লবদি ঙল্লোইদবা থবক লৈতে। পুমিন্নবা য়াংবনি। চামিন্নবা হাওবনি। পুন্না থবক শুরবদি থুনা লোইরি। ঙসি ওইরিবা ফীভমসি ঐখোয় পুল্লপ পুল্লবদি অসুম্না ওইরোই। হৌজিক্তগী পুল্লপ পুল্লে, ঐখোয় পূন্নমক। ঐখোয় মীওইবদি সোসল এনিমেলনি হায়নরি। পুল্লপ হিংমিন্নরগা অমনা অমগী মতেং পাংলি। নুংঙাই য়াইফবা পুন্সি হায়বসি পুল্লপ পুন্না লৈমিন্নবদুনি। অপূনবা-নুংঙাইবা ইমুংশিং অদুনা অফবা লৈকায় অমা শেল্লগনি। অদুগা আইদিএল সোসাইটি অমা হায়বদু শোয়দনা ওইরে।

ঙসি খুন্নাইসিদা লৈরিবা খুন্নাইসিবু ফগৎনবা খল্লগা শেমখিবা লূপশিংসি পুল্লপ পুনশিল্লবদি খ্বাইদগী অফবা খোঙথাং ওইগনি। অদুগা অফববু লূপ খুদিংনা পাঙথোক্লবদি করিসু অকায়বা লৈতে। অদুবু মৈতৈগী ওইবা অখন্ননা লূপ অমখক্তি শেমসি। অতোপ্পা কাঙলূপশিংগীদি লূপ অমমমদা লৈরি। অফবা থবকশিং পাঙথোকপগীদি লূপ লৈত্রবসু য়াই। মতম মাঙহন্দনা অফবা থবকশিং পাঙথোক্লসি।

লৈঙাক্লা মীচম মীয়াম্বু য়াম্না ফজনা ৱারক-ৱাতেন্বীরি। খ্বাইদগী চাওখৎতবা মওংদা জীব অতৈদা ফাওবদা পাঙথোক্ত্রবা মওংদা মীচম মীয়াম্বু ওৎপী নৈবীরি। চীংখোঙদনা কুকিশিংনা মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিল্লি। ইম্ফাল এরিয়াদা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্লি মীচম মীয়ামদা। কর্ফিয়ু, টিয়র গ্যাসকী মতেংনা চৌক্রিদা ফম্বগী মতম শাংদোক্লি। মালেমসিদা হঙ্গোইনীংঙাই ওইরবা মওংদা লৈবাক ঙাক্লি। গধা ফাওবনা নোক্লমগনি লৈঙাকসি উবদা অমসুং তারুবদা।

ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিল্লি। অফ্রিকাগী জঙ্গল কন্ত্রিদা অসিগুম্বা লৈঙাক ওইদে। মশানা মশাবু কনানো খন্থবা ঙমদবা মীৎশাং থাংলিবা, পুন্সি অসি করিনো খঙদবা ঙাচকশিংবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলুবগী মহয়নি ঙসি মীয়াম্না ফংলিবা অসি। খোঙথাং শোয়খ্রবদি ৱাবা তাবা হায়বসি হৌনশানি। মণিপুরগী চীং মচাশিংসি উ পান্বী অমত্তা হৌদরে, উ হৌরি ওফিসশিংগী চেদদি। অৱাংবা উ পান্বীশিংদুনা ওফিসরশিংগী অৱাংবা বিল্ডিংনা ওইখরে। অসুক চাওনা উমং লাইবু মীনম্বদি অথুবা মতমদা শোয়দনা ফংগনি মালেম মপুগী থৌজাল অদু। করপসনগী লেভেল অসি হায়নীংঙাই খঙদনা ৱাংলি।

মণিপুরগী একচ্যুএল ফোরেষ্ট কোভর এরিয়া অসি চাওরাক্লা ১৭,৪১৮ স্কৱার কিলোমিটর, রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়ানা ১,৪৬৭ স্কৱার কিলোমিটর, প্রোটেক্টেদ এরিয়ানা ৪১৭১ স্কৱার কিলোমিটর, অনক্লাসিফাইদ এরিয়ানা ১১,৭৮০ স্কৱার কিলোমিটর ওইখি। মসিদগী হেন্দুনা Dense Forest অসিনা ৫৭১০ স্কৱার কিলোমিটর, ওপন ফোরেষ্টনা ১১,২১৬ স্কৱার কিলোমিটর, Scrub area না ১৯০ স্কৱার কিলোমিটর অমসুং নন ফোরেষ্ট এরিয়ানা ৫২১১ স্কৱার কিলোমিটরনি। উ পান্বীশিং লোইনমক তুম্না হুরাল্লগা য়ানখিবদগী হৌজিক মণিপুরগী ক্লাইমেটিক কন্দিসনদা য়াম্না অহোংবা লাক্লে। ষ্টেট পূম্বসি এয়র কন্দিসনগী অচৌবা কা অমগা চপ মান্নরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি নুংশিৎ অশাবা শিৎলে। তম্পাক্কী লমদা হৌরম্বা উ অৱাংবশিংদুগী মহুত্তা অৱাংবা করপসনগী মওং মরীল তাদবা চেক্কী বিল্ডিং (য়ূম) ঙাক্তা ঙাইখরে। চাওখৎলিবনি হায়গেরা!!! অফবদা হোংবা নত্তে।

নোং তাবগী চাংসি য়াম্না হন্থখরে। নোংজু থাসিদা তুরেলশিংসি ঈশিং লৈত্রি। ঈশিং চেনবা তুরেলশিং ওইদরে। চহী ২৫ মুক্কী মমাঙদা ইজখিবা ৱাফম অদু চুম্লক্কদৌরি মদুদি লোক্তাক পাৎ অসি অচৌবা সেপটিক টেঙ্ক অমগা চপ মান্নগদৌরি। লোক্তাক হায়দ্রো প্রোজেক্ট অসিনা লোক্তাক লেক অসিগী শক্তম হোংহল্লিবনি মীৎকুপ খুদিংগী। মসিগী মরমদা কনানসু থোইনা খল্লুবা তৌদে। ঈশ্বরগী খূৎশেম্বু খুদোংচাবা লৌখিবা অমসুং লৌরিবা পূন্নমকপু মপুগী ৱায়েল-বিচারগী চৈরাক ফংলোইদবা লৈতে। মীওইবগী মপোকসি মতমগী খোঙচৎ ঙাক্তনি। ফত্তবা থবক তৌরগা অফবা ফল কৈদৌনুংদা ফংলোই। মালেমসিদা ফংলিবা ঈশিংসি থকপা য়ারিবসি চাদা ৩ য়ৌবা নত্তে। রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিংসু য়াম্না ফজনা পাঙথোকহৌগদবনি। ঈশিং তুংশিনবীহৌ।

শোয়রিবা, ৱাৎলিবশিংসি য়াম্না কূপ্পা খল্লগা, মেনশিনবা অমা চংই। ঙসি ওইরিবা মফম মরাং খঙদ্রবা খুন্নাই অসি অফবগী মঙাল মচেৎ অমা য়াওদ্রবনি। কংলৈপাক অসি নোংম-নোংমগী কংশিল্লক্লিবনি। ময়োল কংশিনখ্রবা পান্বী অমগুম্বনি ইরমদম মণিপুর অসি। ঐখোয় পূন্নমকপু থম্মোয় শেংনা, কৎথোকপগা লোয়ননা লমদম অসি ফগৎনবা কয়া য়াম্না হোৎনখিবগে অমসুং হোৎনরিবগে? ইতোম ইতোমতা থম্মোয়না পাউখুম পীজসি।

তুংগী য়ূম্বীরেল ওইগদৌরিবা নহাশিং, ইচাশিংদা থম্মোয়গী ৱাফম খরদং খঙহঞ্জরি। নখোয় পূন্নমক দিসিপ্লিন য়াওরগা পুন্সিগী খোঙথাং পূন্নমক থাংউ। খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি থকসি-খাসি অসিনি। মরু ওইনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা থকসি-খাসিগী ৱাফমসি য়াম্না ৱাৎলি। দিসিপ্লিনগা করেক্টরগসি ঐখোয়গী হকচাংগী শরুক অমমমনি। অনীমক থাদোক্লবা য়াবা নত্তে। নখোয় অফবা ৱাখল খল্লু, হেন্না অফবা থবক তৌ। দ্যুটি য়াম্না চেকশিন্না, মতম চানা অমসুং ফজনা পাঙথোকউ। ফত্তবা মীগী মতৌ তম্বা হৌনদে।

ঙসি ফাওবদা ঐহাক্না কনাদসু অরানবা ৱাহৈ অমত্তা হায়খিদে। অচুম্বতনি ঐগী পুন্সিসি। অদুবু মী খরনদি ঐগী থম্মোয় খঙদনা ওন্ন-তৈনবা ৱাফম কয়া শন্দোকপী। করিসু অকায়বা লৈতে। লমজিং-লমতাক কনাসু লৈত্রবা নখোয়দা ঐহাক্লা চেকশিন ৱাহৈ ঙাক্তনি ইজখিবদু। মফম খুদিংদা য়ৌবা ঙমদ্রবনা পাউচেসিগী মতেংনা তঙাইফদ্রবা ৱাহৈ খরদা ওইরবসু ইজখি। ইজখিবা মরু ওইবা ৱাফমশিংদা থোইনা অকায়বা ৱাহৈ অমত্তা য়াওখিদে। ইচাশিংদা কৈদৌনুংদা অরানবা পাউতাকসি পীদবনি। খোঙথাং শোয়গদৌবদু শোয়দনবা তাক্লম্বা ঙাক্তনি।

পুন্সি হায়বসিদি ঐখোয় পূন্নমক্লা অঙম অঙম্বদু পাঙথোক্লম্বদুনি। ইশা ইশাগী অশোয়বদু খঙজনবা হোৎনবা, খঙলগদি অশোয়বদু চুমথোকপদুনি। মীঙোন্দা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়দ্রিঙৈদা ঐ ইশামকসি কয়া য়াম্না ফবনো খঙবদু মথৌ তাই। অফবা থবকশিং মথং মথং পাঙথোক্লবগী হোৎনবদা ফত্তবা থবক্কী মতম লৈহনলোইদবনি।

খুন্নাইসিদা খ্বাইদগী অঙকপা অমনা, পুন্সিগী শোয়নাইরবশিংগী মরক্তা মিৎ উদবা হায়বসি খ্বাইদগী লাইবক থীবা মপোকনি। মীৎ উদবশিংবু লমদমসিদা থম্মোয় শেংনা নুংশিবসি য়াম্না তাঙলি। মখোয়গী মতেং পাংবীনবা কনাসু লৈত্রি। য়ারবদি অঙম অঙম্বা খরা খরতা ওইরবসু মতেং পাংসি। ব্লাইন্দ হোম তাকয়েল পাৎতা লৈরি। ●

# হয়িংগী পড়া

**- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -**

মখোঙ মোৎপা হয়িংনা চাক্তা তোংলক্তনবা হুমগদ্রা। মকোক নান্দবা কুকিনা য়ূম মৈ থারক্তনবা তানগদ্রা। মকোক্কা মখোঙগা অনীমক য়াওদবা মীতৈ লুচিংববু হোইগদ্রা। পুনশিনবা হৈতবা মীয়াম ৱাখল তারকপা ঙাইগদ্রা। অসাম রাইফলসনা ওল্লকপা কারন সিফাইশিংবু থৎকদ্রা। লৌ শুগদবা চীংয়াগী লৌবুক ময়ামসিনা লানবন ওইশিনখিবৈ তকথোক্কদ্রা, কালেন নুংশানগা শাগৎলকপনে, শাওনীংবগা-পেন্দবগা-পাম্বৈ লৈতবগা পুনশিল্লগা অৱাবগী মতোল লোম্না হিংলি ঐখোয় মণিপুরীশিং। অসুক য়াম্না ৱারবা মণিপুরসি ইন্দিয়ানা খঙবীদে হায়দুনা শাওনীংই। ঐখোয়গী চাওথোকচনীংঙাই ওইরবা মীহুৎশিংসি মী ওইদে হায়দুনা ৱারৌই। নুমিৎ খুদিংগী মণিপুরগী য়ূম মৈ থারি। মী অদুম শিরি। সিফাই ঙাকপা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা নুমিৎ খুদিংগী ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লে হায়দুনা দেল্লীদা পাউজেল থারি। লান খাম্বা ঙম্বা দেল্লীনা মণিপুরগী মীহুৎশিং কৌ কৌদুনা মতম লেল্লি। মীহুৎশিংনা মীয়ামসি অপঙবনি খন্দুনা দেল্লীনা কৌরকপগী নোকচরি। মীয়াম্নদি মখোয়সি অপঙবনি হায়বা খঙলি। মীতৈ নহাশিংনা হৌজিক মণিপুর কন্নবা হোৎনবদা নুমিৎ খুদিং লেপ্তুনা শিরি। মীতৈ অহলশিংনা মথং চহীদা চরা হেল্লগা লেপ্তুনা শিরক্কদৌরি। হিংলি হায়দুনা শিবা ঙাইরগা ময়ূম মৈ চাকত্রিবা চাকশঙদা চাকয়াম চারিবা ময়ামসিসু মণিপুর ইমাগী মচা ঙাক্তনিনা কোন্নসু শিহন্নীংদে। ময়ূমসু মৈ থাহন্নীংদে। মখোয় অসিগীসু অসাম রাইফলসনা অদুম শিনবীরক্তৌবা মাল্লি। মাল্লগা চাকয়াম চাখিসিরা অশেংবা ওইনা পূন্না লান্থেংনসিরা - চাক লাল্লিঙৈদা খন্নবনা ফরোইদ্রা।



অসুম্না মী মখৈনা খল্লবসু হয়িংনা চাক্তা পাইশিল্লকপদি শুংলেপ লেপ্লে। চাক্তা তোংলকপা হয়িং খুদিংমক অসি মখোঙদা অমাংবা লোইনা পকপা নত্তে হায়বসিগা মীতৈগী য়ূম মৈ থারিবা কুকি হায়রিবা মী খুদিংমক লোইনা মকোক নান্দবা নত্তে হায়বসিগা অনীসি লম্বা তৌদুনা চাংদম্নবা য়াদে। মরমদি হয়িংদি মী নত্তে। হয়িংনা চাক্তা তোংনবা হোৎনরকপদা হয়িংখাংনা (হয়িং হাৎনবা শাবা খূৎলায় অমা) কন্থৎতুনা হাৎপা তাবনি। হাৎলোই হায়রগনা ফমুং মথক্তা কাঙ্খল থারগা চাক চাবা য়াই (মীচেন ওইনা) অদুবু য়ূম মৈ থারক্লিবা কুকিশিং অসিদি কাঙ্খল খল্লগা ঙাকথোকপা য়াদে। মখোয়দি অসাম রাইফলসকী মমাঙদা লেন্নগে মতাগুম বোম কাপ্পী। আর এ এফকী মমাঙদা থৌনা ফবা ওইনা পোৎ হুরাল্লি। অদুনা কুকি তানবা অরুবা ওইরি। অরুবা অসিনা ভারত মাতাগী মমায়দা অমাংবা ওইনা পল্লিবসি খুমজিন্নবা অমিটজিনা ৱা কারন তুরন ঙাঙলি। অমাংবসি লৌথোক্লবা মণিপুরনা কন্না হোৎনরি। ইন্দিয়াগী সিফাইনা কন্না থিংলি। মথোং খঙদনা নুংঙাইরি। লাওরি - ঐখোয় চীংগী মরুপনি। চীংগী হয়িংসু ঐখোয়গী হয়িংনি।

হয়িংসিসু শীংদবদি নত্তে। কনা কনাগী য়ূমগী অকোয়বা য়েনখা-লুখা, ইঙ্খোলগী অকোয়বা খোংবান-লুকলাং চমোৎ চমোৎ থমদবগে হায়বা মুন্না য়েংলগা মণিপুর তম্না জোরো জোরো পাইশিল্লকপনি। চরা হেল্লগা পাইশিল্লকপা অহিংনা চাক পুখমদগী লাপ্না শুকপাই পাইখিদে। কোইলৈ লৈরুরগা চাক পুখমদা হেক্তা য়ুংশিল্লকই। অসিগুম্বা হয়িংসি খরসু হুমদোকখি, খরসু হাৎতোকখি। করিগুম্বা হয়িং হুম্বগী হাইবা খূৎকী খুনাওবীনা ঙা থোংবা হাপ্পা তেঙ্কোৎতা কোৎলুবদৈ তেঙ্কোৎ মথক মখা ওনখিদুনা মী ঐখোয়সু ৱারে। করাম চাওবা হয়িং হায়বদুনি মখোয়গীসু ওইবা য়ারোইদবা চাক পুখমদু শঙদুনা লৈমাইদা খংচৎ খংচৎ চৎতুনা লৈ। পাইশিল্লক্কদবগী লুমদুনা লৈ। শোমদনা কমদৌরি চীংয়াদা লৈবা মীতৈ খুনশিংগী য়ূম মৈ থানবা কুকি লাক্কদ্রা শেন্নবদা অহিং তূমদবা কুইরক্লে। লম্বী সরক্তা সিফাইগী গাড়ী তোংলগা কোইচৎ চৎলিবা ইন্দিয়াগী হয়িংশিং কোইপাই পাইদনবা থিংনবা হোৎনবদা মীতৈ নুপীশিং অহিং তূমদ্রে। মী য়াম্না শিদবা নুমিৎতুনা নুংঙাইবা নুমিৎ ওইরে। তানফম অসিদা ঐখোয়গী ইকায়খুম্নজরবা লুচিংবা মখৈনা অমিট শাহনা পীরকপা থাজবদু কোল্লগা তূম্লি। মমঙদা এরোপ্লেন তোংলগা দেল্লীরোমদা য়াম তোয়না পাইরি। মীকপ থোরকপদা মনাতোন্দা মৈখু মনম ফাওরক্লি। অহাওবা এঞ্জাং মঙ-হাগুম চারি। য়েনখাদা মখোন খরা কন্না ৱারী শান্নবা তাবদা শ্বর হোনবা ঙাইহাক লেপ্লি। লমজাওদা পোষ্ট খিংলকপগী মখোলদা কাঙ্খল মনুংদা নোংমৈ পায়খৎলি। লুচিংবশিংসু কয়াদা ৱাজরবনো। ৱাদনবা ৱাখল নশানা খনবীয়ু। নশাগী নমিং কাউখ্রবসু দেল্লীদা হংলুনু। সেরান্নবা হায়রক্কনি। অদুগা নঙনা নমিং ওইরবোই নীংদুনা মীয়ামদা লাওথোক্লু নি।

হয়িং মরাং কায়রিঙৈ, লান শোক্লরিঙৈ, কালেন নুংশা শারিঙৈ মতমসিদা হয়িংশিংসে মুন্না মুন্না য়েংহৌরসি। অপাইবা তিল-কাং, উচেকশিংগী মনুংদা হয়িং হায়বা মকোক মোৎখ্রবা, মখোঙ মোৎখ্রবা তিলসি তোপ তোপ্পা অথোইবা মগুন অমা লৈরি। হয়িংনা লৈমায়দা তোংদুনা লৈরম্বদগী চপ য়ুংনা পাইখৎপা ঙম্মী। ফৈনা নাকললোমদা পাইথোকখিবা ঙম্মী। তঙাইফদবা মতমদদি তুং হন্না পাইখৎপসু ঙম্মী। মসি লান শোক্লবগীদি য়াম্না মরু ওইবা শাজেল অমনি। অদোমগী দাইনিং টেবলদা তোংলিবা হয়িংদো খুদোম্বীনা মাঙলোমদগী তপ্লা তপ্লা মনাক্তা অসুম নকশিল্লু। মুন্নাে য়েংবীয়ু- করম্বা মওংদা পাইখৎখিবগে। মদু খঙলগা অহিং ফারবদি মণিপুরদা নোংমৈ কাপ্পা হন্থখিগনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

## থৌবালগী দিসিনা ইনমেট মহৈরোয়শিংদা খোঙউপ য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):**

লৈঙাক্কী স্কুলদা এদমিসন তৌখ্রবা মহৈরোয় ২২০ দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিংনা পুনশিন্নরগা ঙসি থৌবালগী দিসি অহন্থেম সুভাসনা লুচিংদুনা খোঙউপশিং য়েন্থোকখ্রে।

খোঙউপ য়েন্থোকপা অদুগা মরী লৈননা পাউ মীশিংদা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা স্কুল কাবা য়ারবশিংদা লৈঙাক্কী থৌশিল মখাদা মনাক নকপদা লৈবা স্কুলশিংদা মিং চল্লগা মহৈ তমহনবা হৌখ্রে।

লোয়ননা স্কুলগী য়ুনিফোর্মশিংসু লেম্না পীখ্রে। অদুবু য়ুনিফোর্ম লেম্না পীবগী লৈঙাক্কী স্কিম অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খোঙউপ পীবগীদি য়াওদ্রি। মরম অসিনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং পুনশিন্নরগা মহৈরোয়শিংদা ঙসি খোঙউপ য়েন্থোকপনি।

হৌজিক ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী রিলিফ কেম্পশিংদা মহৈরোয় ২২০ লৈঙাক্কী স্কুলদা এদমিসন তৌখ্রবা মহৈরোয়শিংদা খোঙউপ পীখ্রে। মখা তানসু লৈঙাক্কী স্কিমদা য়াওদবা এক্সর্সাইজ বুকসু মহৈরোয়শিংদা পীখিগনি হায়খি।

**ACI SCHOOL**

(A Co_ Educational Higher Sec. School affiliated to COHSEM)

Regd. No. 1/96/96/-HSC(Vol.VIII)

Kwakeithel Akham Leikai, near Kwakeithel Bazar

RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE, IMPHAL

SCIENCE & ARTS

ADMISSION OPEN FOR XI

2 yrs NEET & JEE Integrated coaching Course

Transport & separate Boys and Girls Hostel

*Special Offers for present situation*

1. No admission fee for Former student' s family OF ADVANCED COACHING INSTITUTE
2. No admission fee for Single parents & orphan
3. No admission fee for Student passed out from Government School

SUBJECT OFFERED FOR science : General English, Alt.English,Manipuri, Physics, chemistry, Biology, Mathematics, Home science, Computer science and Physical Education

SUBJECTS FOR ARTS : General English, Alt. English, Manipuri, Elective Manipuri, Sociology, Education, Pol.Science, Geography,History,Economics, Mathematics

REQUIRED DOCUMENTS FOR REGISTRATION : ORIGINAL ADMITCARD + 2 RECENT PASSPORT PHOTO

ADMISSION FORM /PROSPECTUS AND REGISTRATION FORM CAN BE COLLECTED FROM SCHOOL OFFICE DURING OFFICE HOURE( 10AM –4PM)

** POSITION HOLDERS : FREE (ADMISSION + TUITION FEE +UNIFORM + BOOK + HOSTEL ADMISSION + HOSTEL FEE)+ SCHOLARSHIP + Coaching Class
** 90 % and above— Free admission + Free school Fee + Free coaching Fee For class XI +Book grant(one time) + Scholarship
** 85 % and above—Free admission +Free School Fee + Free coaching class of xi +Book grant For XI + scholarship 1k/month
** 80% and above— Free Admission + Free School FEE + Bag ** 75% and above : Free admission + FREE coaching class +book grant
• 70% and above— FREE ADMISSION + FREE COACHING CLASS * 60% and above — FREE ADMISSION FEE +Free 1/2 tuition class
• Direct admission ( BELOW 60%) : First 150 students in both Science + Arts stream with concession according to P.C.

For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI 9862992105

HL-B/8193/28/6 to 27/7

## শকখঙদবশিংনা ফারুবনি হায়বা মৈরা পায়বীনা কনবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):**

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াইরিপোক ককময়াই খুলদগী মতৈ মনাও অমদি মচা অনী য়াওনা মশক খঙদবশিংনা ফারুবনি হায়বা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ রোম তাবদা য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা অশোয় অঙাম য়াওদনা কনবা ঙমদুনা ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে।



শকখঙদবশিংনা ফারুবশিং অদুদি তোংব্রম ইবোমচা (৪৬) অপোকপা নবা, ইবোমচাগী লোইনবী তোংব্রম ওংবী মেরি (ভাইফৈ নিঙোল) (৩৮) মখোয় অনীগী চহী মাপনগী মচানুপী অমসুং চহী তরেৎকী মচানুপানি।

থৌদোক থোকফমদগী প্রেসনা ফঙবা পাউদা ইবোমচা অমদি মহাক্কী নুপী অঙাংশিং পুদুনা লৌ কুম্বা চৎখিবদা মশক খঙদবশিং অদুনা ফাখিবনি। পাউ অদু থংনবা খুল, লৈকায়শিংদা মথং মথং তান্নরকপদগী খোইরোম মথক লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা খোইরোম মথক চীংয়া কেনেল ময়াদগী মখোয়বু থেংনদুনা কনবা ঙমখিবনি।

কনানা করি মরমগীদমক ফারুবনো হায়বা মরী মখোং খঙবা ঙমদ্রবসু ইবোমচাগী লোইনবী মেরি অসি ভাইফৈ (কুকি) নিঙোল অমা ওইবনা ইনফোর্মর ওই হায়বগী থাজবীদা শকখঙদবশিং অদুনা ফারুবা ওইরমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

থৌদোক থোকফম অদুদা থৌবালগী এসপি এস সচিদানন্দ মশাসু লাক্তুনা মীয়ামগা ৱাখল তামিন্ননবা ৱারী ৱাতাই শানখি। লোয়ননা মৈরা পায়বীশিং অদুনা মীওই মরি অদুবু সিদিও থৌবালগী ওসি ইন্সপেক্তর নিতারঞ্জনদা শীন্নদুনা সেক্যুরিটি অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা ককময়াই তান্না থিনবীদুনা ইমুং মনুং অমদি মীয়ামদা অমুক খুৎশিন্নরমখি।

থৌবাল এরিয়াগী মৈরা পায়বী লুচিংবী অকোইজম চিত্রেশ্বর কৌবী অমনা মীয়ামদা আপিল তৌরদুনা হায়, হৌখিবা মে ৪দগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সূ তৌনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈ ফুরুপতা লান্দারক্তুনা নোংমৈ কাপশিনবা, হাৎপা তুপ্পা, য়ুম কৈ মৈ থাবনচিংবা চথরকখিবা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চথদুনা লৈরি।

চৈরক অসিদা মীয়াম্না লান্না পাউ শন্দোকপা তোকঙা শন্দোকপা তৌবীগনু। মেরি অসি কুকি নিঙোল ওইজরবসু মৈতৈদা ময়ুম পান্দুনা ঙসি ফাওবা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নদুনা লৈবাক্কী ইরাং অসিদা শরুক য়াদুনা ঐখোয় পুন্না নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরি হায়রদুনা মীয়াম্না তোকঙা শন্দাকপীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## জেদ য়ু এফকী কম্মান্দর আই এমনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):**

ময়ুমদগী এন এস সি এন (আই এম) না ফাদুনা পুখিবা জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেদ য়ু এফ) কী কম্মান্দর অমা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা দাইলোং খুলদা কাপ্তুনা হাৎলম্লে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা আইএমগী খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওই খরা লাক্লগা জেদ য়ু এফকী কম্মান্দর ওবিট কামৈ (৪০) অসি মহাক্কী নোনে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লাংখোং পার্ট ২ দগী গনপোইন্টদা ফাদুনা পুরগা দাইলোং খুলদা কাপ্তুনা হাৎলম্বনি।

মহাক করি মরমগী হাৎলম্বনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু অশিবা হকচাং অদু ঙসি অয়ুক নোনে পুলিসনা লাক্লগা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা লৌখৎখ্রে হায়রি।

## খোইরেনতাক্তা কুকি মিলিটেন্টনা বোম অহুম কাপশিল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):**

হৌখিবা মে ৩ দগী চিন কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরগী চীংখোংগা তাইনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মৈতৈ খুলশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীহাৎ মীপুন চথবদা নত্তনা য়ুমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লূট পাৎ তৌবা অমদি য়ুম মৈ থাদুনা পোৎচৈ কয়া মাঙহনবগী থবক লেপ্তুনা চথদুনা লাক্লি।

ঙসিসু মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খোইরেনতাক খুনদা কুকি মিলিটেন্ট খরনা নোংমৈ অমদি বোমনচিংবা কাপশিন্দুনা মনাক নকপদা লৈবা মৈতৈ খুনশিংদা এটেক চথরকখ্রে। নোংমৈ কাপ্লবা অদুদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম৩ খোইরেনতাক খুনদা কাপশিল্লকখি। অদুবু লাইবক ফবদি মফম অদুদা লৈবা খুঞ্জাশিং অশোক অপন য়াওখিদে। মফম অদুদা লৈবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি হায়রি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।